# পাকিস্তাননা খূদুম চল্লিবা পি ও কে জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী শরুক অমনি ঃ মোদি



ওল পার্টি মিটিংদা শরুক য়ারিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি

*ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ১২ঃ*

পাকিস্তাননা খূদুম চল্লিবা পি ও কে, জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী শরুক অমনি হায়না ঙসি ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীফমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখ্রে।

লমদম অদুগী মতাংদা মালেমগী অখণ্ড অহৈশিংগা ৱারী শান্নবা দরাকার ওইরি। ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা পাকিস্তাননা খূদুম চন্দুনা লৈরিবা কাশ্মীরগী শরুকশিংদা লৈরিবা মীওইশিং মালেমগী শরুক অমনি হায়না লৌগদবনি।

লমদম অদুদা হিংলিবা মীওইশিং পুক্নিং নুংশিনিংঙাই ওইবা ফিভম অমদা হিংলি। মদু মালেমগী লৈবাক কয়ানা খঙলিবনি।

কাশ্মীরদা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা লৈরিবা অদুগী মতাংদা রাজনিতিগী ওইবা ৱারোইশিন অমা পুরকপা তঙাইফদ্রে। জুলাই ৮দা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী টেরোরিষ্ট বুরহান ৱানি সিক্যুরিটি ফোর্সনা হাৎখিবা মতুং লমদম অদুদা চংশিল্লকখিবা হিংশা য়াওবা খোঙজংশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫৫ শীহনখ্রে। অদুগা মীওই লিশিং ৫ হেনবনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়খি।

ওপোজিসন পার্টিনা ঙসি লৈঙাক শৌগৎলদুনা হায়, কাশ্মীর মপাক্তা তংদু লৈতাবা ফিভম অমা হঞ্জিনহন্নবা থবক পায়খৎকদবনি। লমদম অদুদা খোঙজং চংশিল্লিবশিংগী মথক্তা নোংমৈ মরু শীজিন্নবগী মহুৎ থাজনবা অমগী মখাদা ৱারোইশিন অমা পুরকপা তঙাইফদে।

ষ্টেট অদুদা তম্বা ঙমদবা মওংদা চংশিল্লকখিবা খোঙজং অদুনা মরম ওইরগা মীওই ১০০ হেনবশিং মিৎ উহনখিদ্রে। মদু সিক্যুরিটি ফোর্সনা নোংমৈ কাপ্পা অমসুং মচেৎশিংনা পানবদগী থোকহনখিবনি।

ওপোজিসন লুচিংবশিংনা কাশ্মীরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অদুগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা কাংলুপশিং অমমতা ওইনা ৱারী শান্নবা সজেসন পীখি। আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্টনা লান্মীদা অহেনবা শক্তি পীরি। মদু মীচমশিং লৈবা মফমদদি লৌথোক্কদবনি হায়খি।

ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়, হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা অদুগুম্বা থৌওং অদু পায়খৎপগী মতম চাদ্রি। হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহনা কংগ্রেসকী মায়কৈদা অহানবা ওইনা ৱা ঙাংলদুনা হায়, লমদম অদুদা থোক্লিবা থৌদোক অদু সেন্টরনা দাইত্ব লৌগদবনি। অদুম ওইনমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ওপোজিসন পার্টিনা পীরকপা সজেসন খুদিংমক খন্নগনি। কাশ্মীরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অদু ফগৎলক্নবা হোৎনবদা পীরকপা সজেসনশিং লৌগনি হায়রি।

ষ্টেট অদুদা ওইরিবা ফিভম অদু ফগৎলক্নবা মতমদতা লৈঙাক্না খোঙথাং অমা লৌগনি হায়বা ৱাফম অদু অমুক হন্না খন্নবা কংগ্রেসকী লুচিংবা গুলাম নবি অজাদনা ফোঙদোরক্লি।

কাশ্মীরগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মদ্যপ্রদেশতা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবুসু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

# চাইনাগী কেমিকেল প্লান্ট পোকখায়বদা মীওই ২১ শীরে



চাইনাগী হুমৈ প্রোভিন্সতা লৈবা কেমিকেল প্লান্ট পোকখায়বদা ওইখিবা ফিভম

*বৈজিং, আগষ্ট ১২ঃ*

চাইনাগী হুবৈগী মনুং চনবা ময়াই থংবা প্রোভিন্সকী দাঙ্গিয়াং সহরদা লৈবা কেমিকেল প্লান্টতা থোকখিবা চাওনা পোকখায়বগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ২১ শীখ্রে।

লোকেল ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্নদি থৌদোক অদু হায় প্রেসর ষ্টিম পাইপ পোকখায়বদগী থোকখিবনি হায়রি। অদুম ওইনমক কয়া য়াম্না মাং তাকখ্রবগে হায়বদুদি ফোঙদোকখিদে।

হকচাং শোকনিংঙাই ওইবা মওংদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবা কেমিকেল প্লান্ট অদুগী মনুংদা থবক তৌবা মীওইশিং কন্ননবগী অকনবা থবক পায়খৎখ্রে। শোক্লবা মীওইশিং মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। চাইনাদা হকচাং শোকনিংঙাই ওইবা মফম অমদি ইন্দষ্ট্রিশিংদা সেফটি ষ্টেন্দার্দ ঙাক্না থবক তৌদে হায়বদু থৌদোক অসিনা অমুক হন্না তাক্লি।

টিয়ান জিয়ান সহরদা লৈবা কেমিকেল প্লান্ট অমদা চাওনা পোকখায়বগী থৌদোক থোক্তুনা মীওই ১৬৫ শীহনখিবা চহী অমগী মতুংদা নৌনা অমুক খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোক্লকখিবনি।

চাইনাগী কোনুং বৈজিংগা নক্না লৈবা টিয়ান জিন সহরদা মমাঙ চহীগী আগষ্ট থাদা থোকখিবা চাওনা পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ২০০ রোম শীহনখিবা লৈখ্রে। চাইনাদা ইন্দষ্ট্রিগা মরী লৈনবা হিরমশিং চাওখৎলক্লি। অদুম ওইনমক অদুগুম্বা ইন্দষ্ট্রিশিং অদুদা তঙাইফদবা সেফটি ষ্টেন্দার্দ অমদি থৌমীশিংবু অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগী থৌশিলদি লৈতে।

লৈবাক অদুদা খোং তৌবদা চহী খুদিংগী মীওই কয়াগী পুন্সি মাংলি। ইন্দষ্ট্রিয়েল প্লান্টশিংদা চপ চাবা চেকশিন থৌরাং ফগৎহন্নবা চাইনাগী ওথোরিটিনা থবক পায়খৎলি হায়না চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিন পিংনা টিয়াং জিন এক্সপ্লোজনগী মতুং ফোঙদোকখিবা লৈখি। অদুম ওইনমক লৈবাক অদুদা অমুক হন্না খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোক্লে হায়রি।


## GAS TODAY

**IMPHAL LPG SERVICE**
Booking upto Date
Stk 14kg..........................306
19 kg ................................200
FIRST COME FIRST SERVE
Khudakta Book touraga gas louba yagani

**K & K INDANE SERVICE**
Booking upto Date
Stk....................................306
Timing.........7.30 to 11.30 am
First Come First Serve

**MISAO GAS SERVICE**
Booking upto .......20/07/2016
Valid from ........... 15/07/2016
Stk....................................306
Timing.........7.00 to 11.00 am

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking upto .......29/07/2016
Valid from ........... 24/07/2016
Stk14 kg..........................306
19kg ....................................24
Timing.........8.00 to 10.30 am
Submit Aadhaar Card


# টলিবানশিংনা এটেক চখনবা থৌরাং তৌরি

*লাহোর, আগষ্ট ১২ঃ*

পাকিস্তানগী কাউন্টর টেরোরিজম এজেন্সিনা ইন্দিয়া-পাকিস্তানগা তাইনবা ঙমখৈ পরিং ৱাগা অমসুং গন্দাসিংহ ঙমখৈ পরিংদা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমগা মরী লৈননা টলিবানশিংনা সুসাইদ বোম এটেক চখনবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নেসনেল কাউন্টর টেরোরিজম ওথোরিটিনা পঞ্জাব প্রোভিন্সকী দাইরেক্টর জেনরেল, হোম দিপার্টমেন্ট অমসুং পঞ্জাব (পাকিস্তান) পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংদা মীয়াম অমসুং সিক্যুরিটি পার্সোনেলশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা থবক পায়খৎনবা খঙহনখ্রে।

টেহরিক-ই-টলিবান কাংলুপ্না ৱাগা বোর্দরগী মনুং চনবা মাহোর অমসুং গন্দা সিংহ বোর্দরদা চৎলিবা থা অসিগী ১৩, ১৪ অমসুং ১৫দা এটেক চখনবা থৌরাং তৌরি। ঙমখৈ পরিং অদুদা পাঙথোক্কদবা পেরটতা এটেক তৌননবা থৌরাং তৌরিবনি হায়রি।

**সনা-সুদোকু- ৬৬৮ গী সোল্যুস**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 8 | 9 | 1 | 3 | 5 | 2 | 4 | 7 |
| 2 | 1 | 3 | 7 | 9 | 4 | 6 | 8 | 5 |
| 5 | 7 | 4 | 2 | 6 | 8 | 1 | 9 | 3 |
| 7 | 4 | 8 | 9 | 5 | 1 | 3 | 2 | 6 |
| 9 | 3 | 5 | 6 | 7 | 2 | 8 | 1 | 4 |
| 1 | 6 | 2 | 8 | 4 | 3 | 7 | 5 | 9 |
| 4 | 2 | 6 | 3 | 8 | 9 | 5 | 7 | 1 |
| 3 | 9 | 1 | 5 | 2 | 7 | 4 | 6 | 8 |
| 8 | 5 | 7 | 4 | 1 | 6 | 9 | 3 | 2 |

# জি এস টি বিল পাস তৌবা ষ্টেটশিংগী মরক্তা অসামনা অহানবা ওইরে

*গুৱাহাতি, আগষ্ট ১২ঃ*

কন্সটিট্যুস্নেল শেমদোক্তুনা চৎলিবা থা অসিদা হাউস অনীমক্না পাস তৌখিবা গুদস এন্দ সার্ভিস টেক্স (জি এস টি) বিল পাস তৌবা অসামনা অহানবা ষ্টেট ওইরে।

কন্সটিট্যুস্নেল এমেন্টমেন্ট বিলগা মরী লৈনবা জি এস টি অসাম এসেমব্লীনা ইতিহাস অমা ওইগদবা মওংদা পাস তৌখ্রে। লৈবাক অসিগী ওইনা অসামনা অদুগুম্বা কন্সটিট্যুস্নেল এমেন্টমেন্ট বিল অদু চৎনহন্নবা থবক পায়খৎপা অসামনা অহানবা ষ্টেট ওইরে হায়না চীফ মিনিষ্টর সরবানন্দ সোনোৱালনা ফোঙদোরক্লি।




জি এস টিনা অসামদা হেন্না ফবা শেল থুবগী ফিভম অমা পুরক্কনি। লোয়ননা রেভিন্যু হেন্না লাকহনবা ঙমগনি হায়না চহী ৫৩ শুরবা বি জে পিগী লুচিংবা সরবানন্দ সোনোৱালনা ফোঙদোকখ্রে।

কয়ারক হন্না শেমদোক শেমজিন তৌখ্রবা বিল অদু চাদ ৫০ চৎনহন্নবা অসাম এসেমব্লীনা থবক পায়খৎলি। মদু মতুং তারকপা খোঙথাংশিংগা মরী লৈননা চঙখগনি। অনৌবা লৈঙাক অসিনা সেন্টরগী ইন্দাইরেক্ট এক্সাইজ দ্যুটি, কাউন্টর ভেল্লিং দ্যুটি অমসুং সর্ভিস টেক্স লোয়না লোয়ননা ভেল্যু এদেট টেক্স, ইন্টরি টেক্স অমসুং লক্সজরি টেক্সশিং খোমগৎপা ঙম্লগনি হায়রি।

# বি জে পিগী লুচিংবা ব্রিজপাল টেওটিয়াগী কারদা নোংমৈ রাউন্দ ১০০ রোম কাপশিল্লকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ১২ঃ*

উট্টরপ্রদেশকী ভারতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি)গী লুচিংবা ব্রিজপাল টেওটিয়ানা তোংবা এস যু ভি কারদা ঙরাং নুমিদাং এ কে-৪৭ পাইবা কাংবু অমনা নোংমৈ মরু ১০০ হেন্না কাপশিল্লকপদগী অরুবা ফিভমদা শোক্তুনা লায়কন্নখ্রে।

এটেক চখ্রম্বা মীওইশিং অদুনা শীজিন্নখিবা টোয়োটা ফোর্চুনর গারী অদু দিল্লি মনাক্কী থৌদোক থোকফম অদুদগী কিলোমিটর ৬ লোম চৎলগা লৈবা মফম অমদা ফংবা ঙমখ্রে।

গারী অদুদা নত্তনা এ কে ৪৭ রাইফল অমা অমসুং পিষ্টোল অনীসু গারী মনুংদগী ফংখি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই কয়া ৱাহং পাউহং তৌননবা লৌখৎখ্রে।

পাউগী লিখুল অসিগী মতুং ইন্না নুপী পুলিসশিংনা মীওই কয়া ৱাহং পাউহং চঙখ্রে। ব্রিজপাল টেওটিয়া (৪৯) মহাক্কী এস যু ভি কার অমদা গাজিয়াবাদ তম্না চৎপদা এটেক অদু চখ্রকখিবনি।

খুৎলায় পাইবশিং অদু মফম অদুদগী থুনা য়াংনা নাম্থোকখি। রাজনিতিৱালা অদু নোইদাগী হোস্পিটাল অমদা অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি। থৌদোক অদুদা অতোপ্পা মীওই ৫সু অশোক অপন নংখি হায়রি।

হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা থৌদোক অদু যু পি লৈঙাক্তা টার্গেট তৌরকপনি। ষ্টেট অমগী লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম হায়বদু ষ্টেটকী সবজেক্টনি। অদুগুম্বা ফিভম অদুদা ষ্টেটনা দাইত্ব লৌগদবনি হায়খি।

যুনিয়ন মিনিষ্টর মহেস শর্ম্মনা থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওইশিং ঙরাং নুমিদাং উন্নখ্রে। উন্নখিবা মীওইশিংগী মনুংদা মীওই অমগী পুন্সি খুদোংথিনিংঙাই ওইরি। মহাক ওপরেসন থিয়েটরদা পুশিনখ্রে।

ব্রিজপাল টেওটিয়া ইং ২০১২দা উট্টরপ্রদেশ এসেমব্লী মীখল থেংনখিবনি। অদুম ওইনমক মীখল অদুদা মায়থিখি। মহাক বি জে পিগী কিসান মোর্চাগী মরু ওইবা মেম্বর অমনি হায়রি।

# রাজ্য সভাদা এম পিশিংগী তলব, এল্লাৱেন্স হেনগৎনবা দিমান্দ তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ১২ঃ*

রাজ্য সভাদা ঙসি এম পিশিংগী খূৎশুমল অমসুং এল্লাৱেন্স হেনগৎহল্লু হায়না অকনবা খোঙজং চংশিল্লকখ্রে। হাউসকী মেম্বরশিংনা কেবিনেট সেক্রেটরীগী রিভাইস স্কেল অদুদগী হেনগৎনা টলব পীগদবনি হায়না দিমান্দ তৌখি।

জেরো আৱরগী মতমদা সমাজ ৱাদি পার্টিগী রাম গোপাল য়াদবনা হায়, ৯শুবা পে কম্মিসন চৎনরগদবা মতুং অসিদদি এম পি অমগী টলব অদু লৈঙাক্কী পি এ (পার্সোনেল এসিষ্টেন্ট) অমনা হেন্না চাওরে।

দিল্লি এসেমব্লীগী এম এল এশিংনা ফংলিবা তলব অদুনসু হেল্লে। মহারাষ্ট্র লেজিসলেটরশিংনা ফংলিবা তলব অদুগী তঙ্খায় ফাওবা য়ৌদ্রে। অদুগা টেলঙ্গনাগী এম এল এশিংনা ফংলিবা তলবকী শরুক অহুম থোকপগী অমা ফাওবা য়ৌদে হায়খি।

য়াদবনা হায়, লৈবাক অসিদা পোৎকী মমল নোংমা নোংমগী তাংখৎলক্লে। এম পিশিংনা ফংলিবা তলব অদুনা নোংমদা উন্নবা লাক্লিবা মীওইশিং ফাওবা ইন্টর্টেন্ট তৌবা ঙমদ্রে। মমাঙ থাদা সমাজ ৱাদি পার্টিনা পার্লিয়ামেন্টরিগী মকোক য়োগি অদিত্যনাথনা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবা মীফমদসু ৱাফম অদু পুখৎখিবা লৈখ্রবনি।

৭শুবা পে কম্মিসন চৎনরবা মতুংদা কেবিনেট সেক্রেটরিগী রিভাইস স্কেল অদুদগী হেনগৎফম থোকই। কেবিনেট সেক্রেটরী অমনা থা অমদা ৭শুবা পে কম্মিসনগী মতুং ইন্না লুপা লাক্ষ ২.৫ ফংগদৌরি। পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিনা এম পিশিংগ তলব অমসুং এল্লাৱেন্স থা অমদা লুপা লাক্ষ ২.৮তা হেনগৎহন্নবা রিকমেন্দ তৌগদনি হায়খি।

কংগ্রেসকী এম পি অনন্দ শর্ম্মনা হায়, পার্লিয়ামেন্টরিগী রিকমেন্দেসন অদু খন্নবদা অহানবা ওইনা য়েৎনবা য়াওদনা পাস তৌখ্রবনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা চৎপদা লুপা ক্রোর কয়া চাদিং তৌরি। অদুম ওইনমক এম পিশিংগী তলবতি হেনগৎতনা থল্লি হায়খি।

ৱাফম অদু কংগ্রেসকী এম পি হুসেন দলৱাইনা শৌগৎলকখি হায়রি।

# থাইলেন্দদা বোম মথং মথং পোকখায়বদা মীওই ৪ শীরে

*হুৱাহিন, আগষ্ট ১২ঃ*

মপান লৈবাক্কী লম কোয়বশিংগী মীৎয়েং চীংশিনফম ওইরিবা মফম অনী য়াওনা থাইলেন্দদা বোম মথং মথং পোকখায়বদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪ শীরে। অদুগা কয়ানা অশোক অপন নংখ্রে।

ঙসি অয়ুক হুৱাহিন হায়না খঙনবা লম কোয়বশিংগী থুংফম অমদা বোম অনী পোকখায়খি। থৌদোক অদুদা মীওই অনী শীহনখি। অদুগা অমনা অশোক অপন নংখি।

লেফটিনেন্ট কোলোনেল ওফ পুলিস সমোয়ির য়ুসুমরারননা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্না মথৌ তৌরিবা মফম অদুগা ইরাপ লাপ্নদনা বোম অমা পোকখায়রকখি। ঙরাংসু মফম অদুদগী মিটর ২০০ রোমতমক লাপ্না লৈবা বার অমদা বোম পোকখায়খি।

বার অদুদা লম কোয়বা লাকখিবা মীওইশিং মখোয় মখোয়না লৈরিবা হোটেলশিং অদুদা হন্দ্রিডৈ বোমশিং অদু পোকখায়রকখিবনি। অদুগুম্বা থৌদোক অদুদা মপান লৈবাক্তগী লাকপা মীওই ১১ শোকখি।

শোক্লবশিংগী মনুংদা নুপী অমসু য়াওরি। মহাক বার অদুগী মমাঙদা লৈবা চীঞ্জাক য়োনবা মফম অমদা লৈরিঙৈদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু নংখিবনি।

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্গোক্তগী খা নোংচুপ্তা কিলোমিটর ১৪৫ রোম চৎলগা লৈবা মমিং চৎলবা লমকোয়বশিংগী মফম হুৱাহিন হায়রিবা মফম অদু থোইদোক হেনে দাক্না শকখঙনরবা মফম অমনি। সহর অদুদা মথং মনাও নাইনা মপান লৈবাক্কী লম কোয়বশিং লাক্লি।

সুরট থানি অমসুং ত্রঙ্ক লমদমদা বোম অহুম পোকখায়বদা মীওই অনী শীখি। মদুতা নত্তনা শকখঙনরবা পোটাং বিছকী ফুকেদ টাউন্দা বোম অমা পোকখায়খি হায়বগী পাউসু লৈ। অদুম ওইনমক থৌদোক অদুদদি মীওই অমত্তা অশোক অপন নংখিদে হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪দা থাইলেন্দদা বোম ৮ মথং মথং পোকখায়খি। লৈবাক অদুদা হৌজিক ক্যুইন সিরিকিদকী মপোক নুমিৎ থৌরম লৈবাক শীন-থুংনা পাঙথোক্লি। নুমিৎ অসিবু লৈবাক অদুগী ওইনা মার্দস দে হায়না থৌরম পাঙথোক্লিবনি।

হুৱা হিন অমসুং ফুকেট হায়না খঙনবা লম কোয়বশিংগী খ্বাইদগী হেন্না মীৎয়েং চীংশিনফম ওইরিবা মফম অদুদা বোম পোকখায়বা হন্দক্কি অসিনা অহানবা থৌদোক্কি হায়রি।

# ফিলিপিন্স জেলদা পোকখায়বদা চাইনা মচা অনী য়াওনা মীওই ১০ শীরে

*মনিলা, আগষ্ট ১২ঃ*

ফিলিপিন্সগী জেলদা গ্রেনেদনি চিংনবা বোম অমা পোকখায়বদা দ্রগ লল্লোনবনি হায়বা চাইনা মচা অনী য়াওনা জেল অদুদা লৈবা মীওই ১০ শীখ্রে হায়না ফিলিপিন্স ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

জেল মেনেজমেন্ট এন্দ পেনোলোজিগী ৱাঙাংলোই সেনিয়র ইন্সপেক্টর জেভিয়র সোলদানা ঙসি ফোঙদোরকখিবদা জেল অদুদা লৈবা মীওইশিংনা পেরানক সিটি জেলগী মেট্রোপোলিটান ৱার্দেনগা ৱারী শান্নবা হোৎনখি।

জেল অদুদা লৈবা মীওইশিং অতোপ্পদা থাংদোক্নবা হোৎনখিবা লৈখি। অদুম ওইনমক পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা জেল অদুগী ৱার্দেন অরুবা ফিভমদা শোকখি হায়রি।

সোলদানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা জেল অদুদা লৈবা দ্রগকা মরী লৈনবা কেসতা চেন্নবা বন্দি ৮ শীখ্রে। মদুগী মনুংদা চাইনা মচা অনী য়াওরি। অদুগা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা হুরান চিন্থিগী কেসতা চেন্নবা মীওই অনীসু য়াওখ্রে হায়রি।

জেল অদুদা থোকখিবা পোকখায়খিবা থৌদোক অদু বন্দিশিংনা মখোয় জেল অদুদগী নাম্থোক্নবা হোৎনবগী শরুক অমা ওইবা য়াই হায়না থিজিনবশিংনা ফোদোরকখি হায়রি। অদুম ওইনমক জেল অদুগী ৱার্দেনদগী চপ চাবা রিপোর্ট পীরকপা ঙাইহরি হায়নসু সোলদানা ফোঙদোরক্লি।

ফিলিপিন্সতা দ্রগ লল্লোনবগী থৌদোক কয়া থোক্লি। অদুগুম্বা হিরমশিং অদুগা মরী লৈননা তোঙান-তোঙানবা মীওই কয়া লৈবাক অদুগী কোনুং মনিলাদা লৈবা জেলদা থল্লি।

থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা দ্রগকা মরী লৈননা ফাদোক তারবা বন্দি কয়া লৈখিদে। মদুগী মনুংদা চাইনা মচা অনী য়াওরি। চাইনা মচাশিং অদুসু লৈবাক অদুদা আইন কায়না দ্রগ পুশিল্লকপগা মরী লৈননা জেল অদুদা লৈরকখিবনি হায়রি।


# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-669**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | 8 | | | | | 5 | 1 |
| 6 | | 4 | | 5 | 7 | 3 | | |
| | | | | | 6 | | 8 | 7 |
| | | 6 | | | 2 | 5 | | |
| | | 9 | | | | 8 | | |
| | | | 1 | 6 | 8 | | | 2 |
| | 3 | 1 | | 4 | | 2 | | |
| 4 | | 2 | 3 | | | 7 | | |
| 7 | 8 | | | 2 | | | | 4 |


# বেঙ্গলদা দেঙ্গীগী কেস ২,০০০ লৈরে



*কোলকটা, আগষ্ট ১২ঃ*

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চৎলিবা চহী অসিদা দেঙ্গীগী কেস ২,০০০ হেন্না লৈরে। ওফিসিয়েলশিংগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা লায়না অদুদা শীহনখিবা মীগী মশিং ১৪ শুখ্রে হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

কাঙনা শন্দোকপা লায়না অদুনা মরম ওইরগা নৌনা মীওই অনী শীহনখ্রে হায়বগী চীংনবা লৈ। লৈবাকপোকপা অমসুং য়ুমশকৈশ নুমিৎতা দেঙ্গীগী কেস ১৩২ নৌনা লাক্লি। অদুগা শগোলশেন নুমিৎ খক্তদা মীওই ২৮৬ লায়না অদু পোজিটিব ওইরে হায়বা খঙবা ঙমখি হায়রি।

জনুৱারি থাদগী চৎলিবা থা অসি ফাওবদা ষ্টেট অদুদা দেঙ্গীগী কেস ২,১৭০ থেংনখ্রে। য়ুমশকৈশা অমসু শগোলশেন নুমিৎতা লায়না অদুনা শোকহনবগী কেস ২৮৬ লাকখি হায়না হেল্থ সার্ভিসেসকী দাইরেক্টর বিস্বারঞ্জনর সাতপতিনা ফোঙদোরক্লি।

লায়না অদুনা মীওই ১৪ শীহনখ্রে হায়বা কনফার্ম তৌরে। নৌনা লায়না অদুনি চিংনবা লায়ওংনা মীওই অনী শীহনখি হায়বগী পাউ লৈরি। অদুম ওইনমক চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি হায়রি।

করম্বা মফমদগী লাক্লিবনো খঙদবা মীওই অমসু লায়না অদু নাবা থেংনখি। হায়রিবা লায়না অদুগা মরী লৈনদবা কেসশিংদদি ওফিসিয়েলশিংনা ডেথ সার্টিফিকেট পীদে হায়রি।


## রূপমহল থিয়েটর, ইম্ফাল

তাং ১৩।০৮।২০১৬ ইং
অথৌবশিংগী নিংশিং নুমিৎ
**“বীর টিকেন্দ্রজিৎ”**
২৩৪ শুবা উৎপা
অয়ুক পুং ১০
২৩৫ শুবা উৎপা
নুংথিল পুং ৫.৩০
এডভান্স বুকিং হাংজরে

**DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD**

**MBBS in BANGLADESH**
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI
MBBS in INDIA, KAZAKHSTAN & CHINA

10th Times Installment to be paid Within 5 Years
NO DONATION
NO PROCESSING FEE
NO VISA FEE
EDUCATIONAL LOAN AVAILABLE
# NOTICE #
No Free Laptop, No Free Mobile
No, Free For Travelling Fare
No Free Tab
GET SCHOLARSHIP BENEFIT OF UPTO 20 LACS

BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI
B. Tech/BE (☞ Rs. 70,000/ yr)
Civil, Mech, EEE, ECE, IT, ARCHITECTURE & CSC
B.Sc Nursing, GNM & BPT (Physiotheraphy) at Guwahati & Bangalore
Agriculture, Forestry & Horticulture at Dehradun

Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATION TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy, Opposite SBI ATM Booth, Imphal East
✆ 9856167106 ✆ 8259867645
SL/B/14th July- 20th Sept. 2016